# এম পি একাদেমিগী এলেভেন টিমদা য়াওদুনা শান্নবা ফংজরকপদগী ঐহাক ইন্দিয়া কেম্পতা কৌরকখি : খরিবম বিচু



খরিবম বিচু
(জুনিয়র ইন্টরনেসনল হোকি প্লেয়র)



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## হোকিদা মীৎয়েং অমা

(হান্নগী মখা...)

ঐগা লোয়নন্না ভোপাল একাদেমিদা লৈমিন্নবী মৈতৈ নুপী অনী হায়বদি সুমনগা, সরিতাগা ইন্দিয়া কেম্প চৎখ্রবা মতুংদা ইতোমতা ময়াং মচা ইমান্নবীশিংগা লৈহৌবদু ঐঙোন্দা খিত্তং নুংঙাইতবা অমদি ফাওখি। ঐহাকসু অমুক্তংদি কন্না হোৎনগে হায়বা অমদি খল্লকখি। অদুদগী মোর্নিংগী, ইভনিংগী প্রেক্টিশ তৌবসিদা খরা হেন্না থৱায় য়াওনা প্রেক্টিশ তৌবা হৌরে। য়াহৌগসি হান্নদগী ঙন্না হৌগৎলগা অয়ুক ঙন্তা লন্নাইগী ওইবা শাজেলগসিসু তৌবা হৌরে। ময়ামদগী করিগুম্বা খরা হেন্ননবা হায়দুনা ঐনা ঙমজবা থাক্তা হোৎনবা য়াবদি হোৎনরে। অদুগা ঐগী লাইবক ফবা অমা এম পি একাদেমিগী হেদ কোচ ওইরিবা সার পরমজিৎনা ঐবু য়াম্না লুনা তৌবী। ঐনা শান্নবা স্টাইলসি মহাক্না য়াম্না থাগৎলি। সার পরমজিৎ অসি পটিয়ালা মচানি। তাকপী-তম্বীবসিসু মমুৎ তানা ফজ-ফজনা তম্বী। মহাক্না তৌহন্নীংবা পূম্বা হেক হেক তৌবগী সার পরমজিৎতি ঐবু সপোর্ট য়াম্না তৌবী। অতৈ কোচশিংদি অদুক হাক্না ইনকরেজ তৌবীদে। ঐনা ফনা কন্না শান্নজরবসু প্লে পীরকপা মতমদদি মখোয় মখোয়গী নক্কবা মী হেক্তা শান্নহন্নবা হোৎনরকই। মদুগুম্বদু হেদ কোচ য়াওরবদি ঐবু হেক্তা শান্নহনবীরকখি। বিচু-বিচু হায়দুনা কৌবীরকই।

ভোপাল একাদেমিগী হেদ কোচনা ঐগী প্লে খঙবীদুনা তোয়না শান্নহনবীবদগী ঐবু ময়াম্নসু শকখঙবীরকখি। মদু ঐগীদি থোইদোক্না লাইবক ফবনি। অদুগা মমাঙ চহী ২০১৭তা ভোপালদা জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ তাখি। মদুগী চেম্পিয়নশিপ অদুদা এম পি একাদেমিসু শরুক য়াখি। মেদান খরনদি জুনিয়র নেসনল অদুদা ঐহাক শান্নহল্লোইদবগী মওং অদুম তৌরকখি।

অতোপ্পা গোলকিপর অমা শান্নহনগদবগী হোৎনরকখি। অদুবু এম পি একাদেমিগী জুনিয়র নেসনলদা শরুক য়াগদবা টিমগী লিষ্ট থোরকপদা সার পরমজিৎনা ঐগী মীং হাপ্লকখি। ময়াম মমাঙদা হন্দক্কী জুনিয়র নেসনলদা বিচুনা গোলকিপর নম্বর ৱান ওইনা শান্নগনি হায়না লাউথোকপীরকখি। অদুমাইনা ঐবু সার পরমজিৎনা শান্নহনবীরকখি।

ঐহাকসু য়াম্না থৱায় য়াওনা প্লে খুদিংমক চেকশিন্না শান্নজখি। মদুগী রিজল্ট ওইনা ফাইনেলদা হরিয়ানাগা ২-১দা থোইরগা ঐখোয়না রন্নর্স-অপ তারকখি। মদুগী মতুংদগী ঐহাক ইন্দিয়া কেম্প অদুম কৌরকখ্রে। ইন্দিয়া কেম্পতা লৈদুনা মমিং লৈবা কোচ কয়ানা ত্রেনিং মথং মথং তৌরকপদগীদি খরা খরা ইমপ্রুভ ওইরকখি। হান্নদি ইশাগী পাঙ্গল থৌনা লোইনমক ফুদোক্লগা শিবা-নাবা খঙদনা শান্নবনি। অদুনা প্লে মনুংদসু ওপোনেন্ট টিম্না গোল হেন্না থোমজিল্লক্লবদি ঐহাক করম হায়না তৌবা হায়বসিদা থৱায় য়াম্না ৱাই। টেক্নিক, টেক্টিশ সুম খঙলকপদগী শান্নবা মতমদা হেন্নসু নুংঙাইরকখি।

এম পি একাদেমিগী এলেভেন টিমদা য়াওদুনা শান্নজবা ফংবদগী ইন্দিয়া কেম্পতা লাকপা ঙমখিবা মদুনা মরম ওইরগা ইন্টরনেসনল লেভেলদা য়ৌবসু ঙল্লকখ্রে। সার পরমজিৎনা জুনিয়র নেসনলদুদা শান্নহনবীরকপদগী ঐগী লাইবক ফবা হায়বদুসু ওইখ্রে। ঐগী ইহান হানবা ইন্টরনেসনলসি ওষ্ট্রেলিয়াগী পর্থতা চৎচরকখি। মমাঙ চহী ২০১৭কী সেপ্টেম্বর ২৯দগীনা ওক্টোবর ৮ ফাওবা চথখিবা টেষ্ট মেচ সেরিজদা সেনিয়র টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি। মদুগী মতুংদা থাইলেন্দ (বেঙ্কোক) দা চৎলিবা চহীসিগী এপ্রিল ২৫দগী ২৯ ফাওবা তৌখিবা য়ুথ ওলিম্পিক ক্বালিফাইংদসু সুমনগা ঐগা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি।

য়ুথ ওলিম্পিক ক্বালিফাইংগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা সাউথ কোরিয়াগা শান্নখি। মদুদা সাউথ কোরিয়ানা ৪-১দা থোইরগা গোল্ড লৌখি। ঐখোয়না সিলভর ফংলগা হল্লকখি। মসিগী মতুংদা বেলজিয়মদা তৌখিবা ফাইব নেসন ইনভাইটেসন টুর্নামেন্টতসু ঐহাক ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি। বেলজিয়ম চৎপসিসু ঐহাক্না সুমনগা চৎমিন্নরকখি। লৈবাক মঙা ইনভাইটেসন টুর্নামেন্ট অসিদসু ইন্দিয়াগা নেদরলেন্দদা ফাইনেল শান্নরকখি। মদুদসু ইন্দিয়া টিম নেদরলেন্দগী মখুৎতা ৬-১দা পোদুনা সিলভর লৌরকখি।

টেষ্ট মেচ তোইনা শান্নবা, য়ুরোপকী, এসিয়াগী প্লেয়রশিংগা শান্নমিন্নবসি তোঙান তোঙানবা নোলেজ কয়া অমা ফংজৈ। প্লেয়র ঐখোয়দসু হেন্না হেন্না হোৎনন্নীংবা অমা ফাওহল্লি। অফাওবা ফজবা প্লেয়রশিংনা শান্নবা উজরুৱগা ঐখোয়সু মখোয়গুম্না হৈনীংবা অমদি ফাওরকই। হান্নদি ঐহাক ইন্দিয়া কেম্পতা য়াওবা ঙমগনি হায়বা করিমত্তা থাজবা লৈরমদে। অদুবু হৌজিক্তি য়াম্না কন্না হোৎনরগা ওলিম্পিক শান্ননীংবা ফাওরক্লে।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮১

১। মহাক কনাদাগী শান্নরোয়নি, ওলিম্পিক্কী দবল স্কলদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি। মহাক্না ওলিম্পিক অনীদা থংন-থংননা ইরোইবগী থৌরম অমদা মকোক ওইবী নুপী অমগা লুহোংখি। মহাক কনানো?

২। নহাক হেপ্তাথলোনগী মিটর ১০০গী লমজেলদা সেকেন্দ ১১.১ দা চেনবা ঙল্লবদি নহাক পোইন্ট কয়া ফংগনি।

৩। ৱর্ল্ড ফুটবোল কপকী অথোই অহেন তান্নখিবগী কুমজা অমদা থোমাস মুল্লর, দেভিদ ভিল্লা, ৱেষ্টলে স্নেয়জদর অমসুং ফোরলানন্না পাঞ্জল ৫/৫ চনখি। অদুবু থোমাস মুল্লরদা 'গোল্ডন বুট' করিগীদমক পীখ্রিবনো ?

৪। মহাক ইংলেন্দদা ডোক্তর ওই, ওলিম্পিক্তা মেদল অমা ফংখি। ন্যুজিলেন্দগী খ্বাইদগী ৱাংবা লৈঙাকপা ওইখি। মহাক কনানো/

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) ঃ মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১১দগী ১৪ ফাওবা নুমিৎ মরিনী চূপনা ককচীংদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা অমসুং ৱিন্নর ওইখ্রবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টিমগী শান্নরোয়শিং হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

ওকপগী থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ও ইবোবিশক, ভাইস প্রসিদেন্ট কে মাইকেল, হেপি লাইফ ফাউন্দেসন থৌবালগী প্রসিদেন্ট এল রাজেন, পেরদাইজ ইংলিস স্কুল থৌবালগী প্রসিদেন্ট এল রঞ্জিৎ অমদি ফেন্সিয়র এদ্যুকেসনল সোসাইটি থৌবালগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রিয়োকুমারনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দাইজ মেম্বরশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা অমদি শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংদা টি-সার্ট অমদি অচম্বা খুদোলশিং খূৎশিন্নখি।

# ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজপু অহানবা ৱান দে মেচ ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে




গুৱাহাটি, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সী) ঃ ইন্দিয়া অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজকী ক্রিকেট সেরিজকী মনুং চন্না ঙসি গুৱাহাটিদা লৈবা বারসাপরা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা ৱান দে মেচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৮দা থোইখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়াগী কেপ্তেন বিরাট কোহলিনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০দা য়াম্না ফজবা স্কোর অমা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩২২ লৌদুনা থল্লমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজকী হৌরকপা ইন্নিংস অদুদা অশোয়বা খরা লৈখ্রবসু কয়ান পৱল অমসুং সাই হোপনা স্কোর ৮৪ শুহল্লকখি। পৱল রন ৫১দা আউট ওইখ্রবা মতুং নৌনা চঙলকখিবা মার্লোন সামুয়েল রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মঙাশুবা বেটসমেন সিমরোন হেটমরনা ৱেষ্ট ইন্দিজকী স্কোর বোর্দ অদু মরিশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপ্তা রন ১১৪ শুহল্লকখি। হোপ রন ৩২দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ রোপমান পোৱেলনা শিল্লকখি।


সিমরোন হেপমরগী ইন্নিংস য়াম্না ফজখি। ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদু মহাক্না নিংথিনা মায়োক্নদুনা রন ৫০ লাম্থোকখি। স্কোর বোর্দদা রন ১৮৮ শুরকপদা রোপমান রন ২২দা আউট ওইখি। কেপ্তেন জেসন হোলদর চঙলক্তুনা হেদমরগা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী মরুওইবা পার্টনরসিপ শেমখি।

রন ২৪৮ শুরবকপদা হেদমর শুপ্নগী রন ৭৮দা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরম্নগা রন ১০৬তা আউট ওইখি। মখা তানা ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়কৈদগী রন ৩২২ শুরকপদা ওভর লোইখিবদগী ইন্দিয়ানা রন ২২৩ লৌবগী টার্গেট লৈখি।

ইন্নিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মা অমসুং সিখর ধৱানগী পার্টনরসিপ অনীশুবা ওভরদা কায়খি। ধৱন রন ৪দা আউট ওইখি। কেপ্তেন বিরাট কোহলি অমসুং রোহিট শর্ম্মানা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা অনীশুবা ৱিকেট পার্সরসিপ ওইনা য়াম্না ফজবা মওংদা রন ২৪৬ হাপচিন্দুনা অপূনবা স্কোর অদু ৩২শুবা ওভর লোইশিল্লকপদা রন ২৫৬ লৈহনখি।

বোল ১০৭তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২১ য়ৈখিবা বিরাট কোহলি রন ১৪০দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ অম্বাটি রায়ুদুৱনা শিল্লকখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মা ইন্নিংসকী ৪৩শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা আউট ওইদনা রন ১৫২ লৌদুনা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৮দা থোইখি। মহাক সিক্স ৬ অমসুং ফোর ১৫ য়ৈরমখি।

# দেনমার্ক ওপনদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল চাইনিজ টাইপৈগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান টাই জু য়িংগী মখুত্তা ফাইনেল মায়থীহৌরে



ওদেন্স, ওক্টোবর ২১(এজেন্সী)ঃ মালেমগী বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দেনমার্ক ওপন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল চাইনিজ টাইপৈদগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় টাই জু য়িংগী মখুত্তা মায়থীদুনা রন্নর্স অপ তাহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় অনী শরুক য়াখি। অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারকখিবা অদু মায়থীদুনা ৱর্ল্ড নম্বার ১০দা শরুক য়ারকখিবা অদু মায়পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

সাইনা নেহৱালনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা হোং কোংগী শান্নরোয় এন ৱাই সিয়ুংবু ২০-২২, ২১-১৭, ২৪-২২দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। অনীশুবা রাউন্দদা সাইনানা য়াম্না ফজবা মওংদা ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরো জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৫, ২১-১৭তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা সাইনা নেহৱালনা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সীদেদ ওইরিবী নোজোমি ওকুহারাবু ১৭-২১, ২১-১৬, ২১-১২দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখি। সাইনা নেহৱালনা ঙরাং শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী গ্রিগোরিয়া মারিস্কা টুঞ্জুংবু য়াম্না কোম্না ২১-১১, ২১-১২দা মায়পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা চাইনাগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সীদেদ শান্নরোয় হি বিংজিয়াওবু ২১-১৪, ২১-১২দা থোইরম্বী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংগা সাইনাগা লম্বা তৌনরকখিবনি। পনবা য়াই সাইনা নেবৱাল অমসুং টাই জুনা মমাংদা মেচ ১০ লম্বা তৌনরকপদা টাই জুনা ১০মক মায়পাক্তুনা সাইনাগী মায়কৈদগী মায়পাক্কনবা য়াম্না কনবা ৱাখল্লোন অমা থমদুনা লাকখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেমদা টাই জু য়িংনা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিনবা ঙমদুনা পোইন্ট ২১-১৩দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা গেম অদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা টাই জুগী অশোনবা মফমশিং অদুদা হেন্না অটেক্ট চথুদুনা শান্নবা ঙমখি। সাইনা য়ৈরকখিবা সোট অশাংবশিং অদু আউট তারগনি হায়না টাই জুনা থাদোক্লুবদগী আউট তাখিদবা মরম্না পোইন্ট কয়া লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা গেম অদু সাইনা নেহৱালনা পোইন্ট ২১-১৩দা থোইদুনা অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেমগীদমক শেম শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদুদা শান্নরোয় অনীনা লম্বা তৌনরকপদা রেলি কুইনা থোম্নরকপদা সাইনা নেহৱাল মশা চোকথবগী মমি চাওনা তাখি। লোয়নন্না পোইন্টসু মাঙজবা কয়া য়াওখি। অরোইবা গেম অদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় টাই জুনা মহাক্কী মশান্নদা নেট প্লে অমসুং ক্রোস কোর্টকী মগুন লৈরবা সোট কয়া হাপচিল্লকখিবা অদুনা সাইনা নেহৱাল পোইন্ট তান্নবা খর ৱানা লৈখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী দিসাইদিং গেম অদু টাই জুনা পোইন্ট মাংজিল চাওনা থাদুনা চৎপা ঙমখি। সাইনা নেহৱালগী মায়কৈদগী লম্বা পীবা ঙল্লকখিদে। গেম অদু টাই জুনা পোইন্ট ২১-৬তা থোইদুনা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী ৱর্ল্ড নম্বর টু কোন্তো মোমোতানা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় ৪শুবা সীদেদ শান্নরোয় চৌ টিয়েন চেনগা লম্বা তৌনবদা গেম অহুম চংনা অকনবা লম্বা তৌনখিবদা মোমোতানা গেম ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই মোমোতানা মহাক্কী ঙরাং শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কিদম্বী শ্রিকান্তপু য়াম্না কোম্না ২১-১৬, ২১-১২দা মায়থীবা পীরমখি। অমরোমদা মহাক্কী ফাইনেল লম্বা ওইখিবা টাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক দেনমার্ক্কী শান্নরোয় এন্দর্স এন্টোনসেনবু ১৯-২১, ২১-১১, ২১-১২দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদু জপানগী কেন্তো মোমোতানা পোইন্ট ২২-২০দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেম অদুদা টাইপৈগী শান্নরোয় চৌ টিয়েননা ফজবা হেল্লকপদগী ২১-১৬তা থোইদুনা গেম ১-১দা লৈনখি। ফাইনেল মেচ অদুগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেম অদুদা জপানগী শান্নরোয় অদুনা পোইন্ট ২১-১৫দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসকী টাইটল অদুনা জপানগী পেয়র টকাসি কমুরা অমসুং কৈগো সোনোদাবু ২১-১৫, ২১-১৬তা থোইরগা ইন্দোনেসিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান পেয়র মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিওন অমসুং কেবিন সঞ্জয়ানা লৌখি। নুপীগী দবলসতা জপানগী পেয়র অনী লম্বা তৌনবদা নম্বর ৱান পেয়র য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সয়াকা হিরোতাগী পেয়রনা টকাসি কমুরা অমসুং কৈগো সোনোদাবু থোইদুনা টাইটল লৌখি। মিক্স দবলসতা চাইনাগী পেয়র ঝেং সিৱৈ অমসুং হুৱান য়াকিওংনা থাইলেন্দগী পেয়র দেচাপোল অমসুং সাপসিরিবু ২১-১৬, ২১-১৩দা থোইরগা টাইটল ফংখি।

# পাকিস্টানবু এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়ানা অনীশুবা রাউন্দদা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে

মুস্কাট, ওক্টোবর ২১(এজেন্সী)ঃ ওমানন্না য়ূম্বু ওইদুনা চৎলিবা থা অসিগী ১৮দগী হৌদুনা এসিয়াগী হোক্কি শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা নুপাগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লৈবাক ৬না শরুক য়াদুনা ৫শুবা এদিসনগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়ানা মখোয়গী মতম কুইনদগী লম্বা ওইদুনা লাক্লবা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মুস্কাট সিটিদা লৈবা সুল্টান কাবুস কমপ্লেক্সতা ঙসিগী শান্নখিবা মেচ অদুদা পাকিস্টানগী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না ইন্দিয়াগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী অহৌবা মিনট অদুদা পাকিস্টানন্না পূশিল্লকখিবা বোল অমা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনা মখোয়গী ফিভম অদু মপূং ফানা শেম শাবা লোয়দ্রিঙৈদা ফিল্ড গোল অমা মুহম্মদ ইরফান জুনিয়রনা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মেচ অদুগী মিনট ১৫দা অহানবা ক্বার্টর অদুদা পাকিস্টানন্না চনখিবা পাঞ্জল অদু ইন্দিাগী মায়কৈদগী হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর শান্নবা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা চুংশিন্নবা মওংদা শান্নবা ঙল্লক্তুনা পাকিস্টানদগী বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। ক্বার্টর অদুগী ২৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়না পূশিনখিবা এটেক্ট অমদা কেপ্তেন মনপ্রিট সিংহনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

মিনট ৩০গী অহানবা হাফ লোয়শিনখিবদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান পাঞ্জল মান্নদুনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মন্দিপ সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চনবা ঙমদুনা পাকিস্টানবু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌখিবা এদিসন ৪দা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানন্না টাইটল ২/২ লৌদুনা লৈরি। কুমজা ২০১৬তা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা দিফেন্দিং টাইটল লৌদুনা লৈরিবনি। কুমজা ২০১১দা হৌখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি। অনীশুবা টাইটল অদু কুমজা ২০১২দা পাকিস্টানন্না লৌখি। মদুগী মতুং অহুমশুবা টাইটল অদুসু পাকিস্টানন্না ২০১৩দা লৌখিবনি।

ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গেমদা মখোয়না য়ূম্বু লৈবাক ওমানবু পাঞ্জল ১১-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। অদুগা পাকিস্টানন্না সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখি। ঙসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ২-১দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ অহুমশুবা ক্বার্টর অদুগী ৪২শুবা মিনটতা দিলপ্রিট সিংহনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ক্বার্টর অদু লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু পাঞ্জল ৩-১দা হেন্দুনা লৈখি।

মেচকী মরিশুবা ক্বার্টর টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৩-১দা হেল্লগা মায়পাকখি। হয়েং ইন্দিয়ানা মখোয়গী ৩শুবা মেচ অদু জপানগা শান্নরগনি। জপানন্না ঙসি মখোয়গী অনীশুবা মেচতা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

জপানগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল অদু শোতা য়মাদানা চনবা ঙমখি। সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয়শিং য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইক্বেলাইজর ফংননবা হোৎনরকখিবা অদু কান্নবা ফংদনা অহানবা হাফ লোয়শিনখি। অনীশুবা হাফকী অহুমশুবা ক্বার্টর অদুসু মখোয়গী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা জপানগী ৱাটারু মাটসুমোটোনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু জপানন্না ২-০দা মায়থীবা পীখি।

এসিয়ন চেম্পিন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি অনীশুবা রাউন্দ লোয়শিল্লকপদা মেচ ২/২ থোইনদুনা পোইন্ট ৬/৬ ফংদুনা ইন্দিয়া অমসুং মলেসিয়া লৈরি। অদুবু গোল দিফরেন্স য়েংনবদা ইন্দিয়ানা মলোসিয়াদগী স্কোর ৮ হেন্দুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি। মখোয়গী মথংদা পাকিস্টান অমসুং জপানগী টিম মেচ অনী শান্নখিবদা অমা মায়পাক্লগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৩/৩ ফংলগা লৈরি। নাকল অমরোমদা য়ূম্বু ওমান অমসুং সাউথ কোরিয়া পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা মমৈদা লৈরি।

# মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীগী ক্রিকেট টিম অনীমক মায়থীবা নংখ্রে

কটক/ভুবনেশ্বর, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সী) ঃ ওরিষাগী কটক সিটিদা পাঙথোক্লিবা চহী ১৯ মখাগী ৱিমেন্স ক্রিকেট টি-২০ লীগ অমসুং ভুবনেশ্বর সিটিদা পাঙথোকপা চহী ১৯ মখাগী ভিনুমনকদ ত্রোফি লিমিটেদ লভরস জোনেল লীগতা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী নুপী অমসুং নুপাগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিং মখোয় মখোয়গী লম্বাগী মখূৎতা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙসি কটক্কী নিম্বুর গ্রাউন্দদা নুপীগী চহী ১৯ মখাগী টি-২০ লীগকী মেচ অমদা মণিপুর অমসুং মুম্বাই লম্বা তৌনখি। মুম্বাইনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা ৱিকেট ৫ তুরগা ওভর ২০দা রন ১৮৪ লৌরমখি।

মখোয়গী মায়কৈদগী ওপনর এস কে রাৱটনা বোল ৫৭তা ফোর ১৩ য়ৈদুনা রন ৯২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মণিপুরগী টিম অদুনা মায় পাক্লনবা রন ১৮৫গী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা শুপ্নগী ওভর ৬.৩ মায়োক্লবদা স্কোর বোর্দতা রন ৯ খক লৈরগা মুম্বাইনা মণিপুরবু রন ১৭৫দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী বেটসমেন তরেৎ রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। খুম্বোংময়ূম বিদ্যারানিনা রন ৯ লৌখিবা অমদি মনিমচা অঙোম্না রন ২ লৌখিবা পনবা য়াই। মুম্বাইগী মায়কৈদগী বোলর সয়ালি সাটঘারিনা ৱিকেট ৬ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। পনবা য়াই, ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা মণিপুরগী নুপীগী টিম মহারাষ্ট্রনা রন ৮৭তা থোইরমখি।

নুপাগী চহী ১৯ মখাগী ভিনুমনকদ ত্রোফি ভুবনেশ্বরগী রেলৱে ষ্টেদিয়মদা শান্নখি। ঙসি মণিপুর অমসুং বিহারগা শান্নখিবা প্লেট গ্রুপকী মেচ অদুদা মণিপুরগী টিম অদুবু বিহারনা ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুগী টোস মণিপুরনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। ওভর ৫০গী ইন্নিংস অদুদা মণিপুরগী বেটসমেনশিংনা ৪৯শুবা ওভরকী ৪শুবা বোলদা রন ১৪৯ লৌরম্লগা আউট ওইখি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী কেপ্তেন জোনসন্না রন ৩০ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ওপনর রিটিক কানোজিয়া অমসুং তরুকশুবা বেটসমেন বিদাস রন ২৯/২৯ লৌরমখি। অদুগা অতোপ্পা ওপনর সুভাম চৌহান রন ২৪ লৌখি।

বিহারনা মায় পাক্লনবা রন ১৫০ টার্গেট তৌরকপদা বেটসমেন ২খক আউট ওইরগা রন ১৫৩ লৌরগা মেচ অদু থোইখি। টিম অদুগী ওপন পিয়ুসকুমার আউট ওইদনা রন ৬৩ লৌখি। লোয়নন্না হর্স রাজ রন ৫৮ লৌরগা মরুওইবা থৌদাং লৌখি।